# ৱারীমচা

## লোক্তাক পাৎকী ঈঙ্গিংবী

*তোংব্রা নেত্রজিৎ সিংহ, থাংঙ্গ ঙারম*

হিদু ফুমদুগী মথক্তা চিংখৎলগা হিরুবাক্তুগী মথক্তা ঙাইহাক ফন্নগা মকোক্তা য়েৎলিবা কোকশেৎ ফিদু লৌথোক্লগা মায়দা শিন্থরিবা হুমাং মরিক মরিকশিংদু তৈথোকই। নোংচুপ থংবা ইবুধৌ থাঙজিং চীংগী চীংদোলদা নুমিৎনা চঙখিগদৌবা চৈঙাক মশাংমুক্তা ঙায়রবা কান্দা লোক্তাক্কী ঈমায় চোল্লবা ঈপাক্কী ইমায়দা মখল কয়াগী ঙা চাবা হৌরক্লে। নুমিদাংৱাইরমগী ঙাহৌ লাক্লব্রা খন্দুনা অশংবী, লেপথা থারম্বা ঈন অদু হিনুংদা থাঙ্গৎলগা থম্মী। ফুমদা থাংলিবা হিদু খূত্তা পায়রিবা নৌদুনা ইন্থোক্লগা খুকউদা পৌরাদু থমদুনা চারিবা ঙাদু খোনবা হৌরক্লে। খূৎ ওইনা নৌ ওত্তুনা হিদু তপ্না-তপ্না চৎহল্লি।

ঈশিংগী মথক্তা ঙাদি য়াম্না চাই অদুবু ঈলদদি অমফাওবা লক্তে। তপ্না-তপ্না নুমিৎসু তাখরে, ঙাইহাক অমুক ফুম মথক্তা হিরুবাক্তু চিংখৎলগা লেপথা থারগা য়েংগে হায়দুনা হিদু ফুম মথক্তা চিংখৎলি। হিদু হেক চিংখৎপগা পুখ্রি মপান্দা মচানুপী অহলদুনা পীক্লিবা মৌপ্বাবু পোরগা- "ইমা অঙাং কপ্লে।" মমানা হেক য়েংখৎলকপা মচানুপীনা পুখ্রি মপান্দা লেপ্লিবদু উরগা অশংবী মীৎলুদগী শিন্থরক্লিবা পীরাংদু লেপ্পু হায়বা য়াখিদরে। পীক্লিবা মচানুপীনা খোল্লাং লাম্বগী মৈচাক্লা খোঞ্জেল হৌনা কপ্লিবা মৌপ্বাগী খোঞ্জেলবু তোক্লবা মনঙ্গন্দা পোরগা পলেম মমা শক্লা থেমলি। খুদোম্বী অমুক থিল্লগা – "ইমা আদা লৈরে তু! তু!" কপ্লম্বা অঙাংদু 'ইমা' হেক পনবগা ঙাইহাক তুমিন্না অমুক লৈ। অমুক হন্না কপ্লক্লবদা উপাই লৈত্রবদা অপাইবা উচেক্তা খুদোম্বী থিল্লগা – "তু! তু! উচেক পাইরে, উচেক পাইরে।" অমুকসু মমা শক্লা নাওসুম ঈশৈ ওইনা অমুক শক্লকই।

নুমিৎ তাখ্রবদি অৱাং পাংবা নুংশিৎ হুন্নক্লগনি। হয়েংগী চেং চরা ফংলরোই খন্দুনা ৱাখলদা অমুকসু মিপাইবা ফাওই। অমুকসু মচানুপীগী মতৌ উবদা থম্মোয় পুবা ঙমখিদে। মচিন্দা ইমা কারক্লগে হায়জরগসু অৱাং পাংবা নুংশিৎ লাক্লগদি ঙা খরা খরা য়াওরম্বদুসু য়াওররোই খন্দুনা ঈল অমুক চিং, মচাদা অমুক য়েং, শিন্থরিবা পিরাংদু অমুক তৈথোকই। মচানুপী অহলদুনা অঙাং থেম্বা ঙন্নক্রবদা মমাবু অমুক কৌরকই- "ইমা অঙাং থেম্বা ঙমদরে।"

মচা কায়নরবা ষণবীনা মীৎকুপ অমত্তং পোত্থাফম খঙজদবগুম অশংবী, অঙাংনা হৌনা হৌনা কপ্পগী খোঞ্জেল তারগা চিংলম্বা ঈলদু হঙ্গেল পৌরাগা লোয়ননা হিনুংদা থন্নগা মচাগী মনাক্তা হোনজিল্লক্লে। হিদু তুরেল খোঙয়াদা থাংজিল্লন্নগা মচানুপীদগী অঙাংদু লৌরগা য়ূম্লোমদা পূন্না কামিন্নরক্লে।

থামম্বা অহিংনি লেপথা থারবদি মৈসুৎ থাল্লগা ঙা লকপা য়াই খন্দুনা মচাবু খোল্লাং ইনবা লোয়রগা মৈসুত্তা থাউ হাপ্পী। মমানা মচানুপীদা – "ইমানা খরা থেঙনা কারক্লগসু মখাগী ননে ইবেতোনগা লৈমিন্নরম্মু। ইমা হয়েংগী চেং লৈতরি।"

মচানুপী অহল লাংলেন, অঙাংদু অমুক পোখৎলগা মমাগী মায়কৈ য়েংলগা তুমিন্না লেপ্পগা লৈহৌই। মমাদি মৈসুত্তু পায়রগা তুরেললোমদা কুমথরক্লে। হয়েংগী খনবদা মমানা মচানুপীদা হন্না য়েংলমদ্রবসু মমাগী থম্মোয়দি শোয়দনা চহী তরামরি সুরবা মচানুপীদুনা পীক্লিবা থা নিপানদমক ঙায়রিবা মৌপ্বাবু পোরগা মমাগী মায়কৈ য়েংলমগনি খল্লুবদা মীৎলুদা শিন্থরক্লিবা পিরাংদু কোকশেৎ ফি মচিন্দুনা তৈথোকই। পুখ্রি মপান ওইরপ্না তুরেলদা থাংলিবা হিদু ইন্থোক্লগা ফুমদুম অমদা হিদু থাংজিল্লগা মনাক্তা ঈন চিংলিবী মচেদা – "ইচে ঙাবু য়াওবরো?" মচেনা – "অশংবী সন্ধ্যাগী ঙাহৌ ওইরবা মাল্লে, ঙা খূৎয়া খূৎয়ামুক য়াওই।"

অশংবীনা ঈলদু থাদরগা অহানবগী ঈলসোন্দা মুখাঙাগা ঙমহায়গা য়ান্নরগা ঙা খূৎয়ামুক য়াওই। হয়েংগীদি শোয়দনা লোক্তাক লাইরেম্বীনা পীবিরগনি খল্লদুনা ঙাইহাক্তি ৱা ঙাঙদনা তুমিন্না লৈরে। ঈলসোন মরি মঙাদি ঙাদু য়াওরম্মী অদুবু মখা তাবা ঈলসোন্দদি ঙা য়াওখিদরে। উপাই লৈত্রবদা মৈসুত্তু অমুক চুখৎলগা ফূম মথক্তা য়ুংলগা থম্মী। মৈ চুখৎলফালবদা ঙা য়াওদ্রবদা হিনুংগী থুমুক্তা য়াওরিবা ঙাদুদা মখূৎনা ওৎলগা য়েংঙি। মচিন্দা শোল্লি, – "লুক অনীদি শোয়দনা ফারগনিদা।"

নুমিদাংগী পূং ৮ তাখরে। লুপা চাম্মদি য়ৌখিরোই খন্দুনা মৈদু অমুক মুখৎলগা ঙাইহাক তুমিন্না লৈ। কালেনগী মঙানি পানবা ওইবনা, থাজগী মঙালসু নোংচুপ থংবা চীংয়ানা লুমশিনখরে। মাঙদা উরিবা লোক্তাক প্রোজেক্টকী মৈঙান্দি ময়েক শেংনা উরি। নোংপোক থংবা মায়কৈদা নিংথৌবী চীংদোল থাঙ্গরাকপা চীংদোল অনীগী মরক্তা ইবুধৌ চীংনিংথৌ হরাওবগী মৈঙালসু লিৎখৎলক্লি। মরক মরক্তা মালংবনা পুরক্তুনা হরাও মথোই কাবগী ঈশৈসু তারি। অশংবী মখুউদা থাঙ্গৎলিবা পৌরাদু হিরুবাক্তা থন্নগা ঙাইহাক ফন্লিঙৈদা লাইওইখ্রবা মহাক্কী মপুরোইবদু হিনাওফান্দা ফন্নগা নোকফেৎ তৌবা মীনোক্লা মঙোন্দা য়েংদুনা লৈবগুম উররে। খোঞ্জেল থোক্লা হায়রকপগুম অমুক তাখি – "অশংবী পিক্লিবা ঐগী ইচাগী খনবদা লাইরমলেন্দা খোঙদাবা ঙমদরেনে।"

মমিত্তা অমুকসু শংশঙনা উখি লৈকাইগী মীয়াম্না বি পি ষ্টোক তৌদুনা পুরকপগী শকফম। মরৈ ফাওবা খৎপা ঙমদ্রবা মপুরোইবনা মীৎলুদা পীরাং শিন্থরগা অশংবীদা মুন্না য়েংলম্বা মীৎয়েং। পীক্লবা খোঞ্জেলদা অমুকসু তাখি – "লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা মরুম থুপ্তুনা হিংলিবা ঐখোয়দি চাবা থকপা ৱাৎলোয়কো।" নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা মীনোক্লা অশংবীদা মুন্না য়েংলগা – "অশংবী নুংশিদ্রা ইবুধৌ চীংনিংথৌ হরাওবগী পেনাগী শৈহেকসে। নঙ জগোয়গী খূৎথেক তমনিংদ্রা?"

অশংবীনা হিনাউফান্দা ফন্লিবা মপুরোইবদা মুন্না য়েংলগা অমুকসু খল্লি – করিনো তৌরিসিবু। অশংবীনা লাইওইখ্রবা মহাক্কী মপুরোইবা মনিবাবুদা তিঙক-মাইঙক্লনা য়েংলিঙৈদা থংনবা ফূমদা হি থাংলগা ঈল চিংলিবী মচেনা – "অশংবী কারসি লাক্লোদনা।"

মচেগী খোঞ্জেল তারগা অশংবীনা মচিন্দা ইহে! হায়রগা খুমখি – "হোই ইচে।" মচিন্দা হোয় মচেদি হি হোল্লগা ময়ূমলোমদা কাখরে। অশংবীনা ঙাইহাক ৱাখল তৌই। করিগী লাইওইখ্রবা মপুরোইববু মমিত্তা উহনবীরিবা। মহাকসু লাইরম্লেন্দা খোঙদাবা ঙমদ্রবরা। মনাক্তা থাল্লিবা মৈসুত্তুদা অমুকসু মুন্না য়েংঙি। নুংশিৎনা লিরি লিরি অৱাং পাংনা হুম্বনিনা মিসুৎকী মৈরিসু অৱাং পাংনা চৎলি। অশংবী ঙাইহাক ৱাখল তৌরবা মতূংদা মমিত্তগী মপি শিন্থরগা লোক্তাক্কী লাইরেম্বীদা হায়জবা হৌরক্লে।

'লোক্তাক্কী লাইরেম্বী ইমা ইবেম্মা ইমাদি ময়ামগী লনগৈ পুক্লেনি। ইমাগী মরুম থুপ্তুনা হিংজরিবী মচা মনাইগী ওক্লবতদি পীনবীয়ুকো শাংলবা পুন্সিগী লম্বেলসে মহাক্লা ইখূৎ পায়দুনা চিংবীরন্নগা ননাইনুপীবু তাইবঙগী কল্লকপা মিহৌবতনা থল্লবা তাইবঙপানসিদা মহাক্লা হুন্দোকপীরম্লে। ইমা, তোল্লবা নচাদা ইমাগী মপাল নাইদ্রবা থৌজালগী ঈরিক্তুতং পীবিদ্রবদি ননাইনুবীদি পীক্লিবা ইচা অনীসিবু করম্না নাওকোনসিগে ইমা। নচাগী ওক্লবতদি লোক্তাক ইমানা পীনবীয়ু।"

মমিত্তগী শিন্থরিবা পিরাংদু তৈথোক্লগা ঈলসোন অমমুক য়েংঙি। লোক্তাক লাইরেম্বীনা পীনবীবা হন্দক্কী ঈলসোনসিদি ঙা খূৎয়া খূৎয়ামুক য়াওবা হৌরক্লে। ঙাইহাক য়াওরম্নগা মতূংদা অৱাং পাংনা শিৎলম্বা নুংশিৎ অদুনা হন্থবা অমুক ওল্লক্তুনা ঙা য়াওখিদরে। হিনুংদা ঈলদু হাপচিল্লগা য়ূম্লোমদা হোনজিল্লক্লে।

য়ূমদু ইনা কুপ্পী থোঙ লোল্লমদে। ইমুং লময়ায়দা পিক্লবা পোদোন অমা থাল্লম্মী। অথেংবা অহিংদুদা থোঙ লোল্লমদবদগী মমাগী ৱাখলদা চিংনবা ফাওই। মমানা ফমুংদা খল্লিবা কাংখন্দু হায়দোক্লগা য়েংঙি। পিক্লিবা মৌপ্বাবু মমা শক্লা মথানুংদা কোনশিল্লগা তুন্লিবী মচানুপী। পীক্লিবা মচানুপাদুনা মচেগী মখূদাংদা মোন খাঙলগা তুন্লিবা মচা অনীগী মতৌ উরগা অশংবী মমিত্তগী শিন্থরক্লিবা পিরাং থিংবা ঙমখিদরে। মচা অনীনা মীকপ থোক্লক্ত্রিঙৈ ঙা য়াইনবা মৈ হৌগৎলে। ঙাদু চালোন্দা শন্না শন্না শিন্থরিবা পিরাংগা ইরোয়ননা হিক্লা হিক্লা কপ্লক্লে। কপ্না-কপ্না ঙা চালোন মঙাদু য়াইবা লোইরবা মতূংদা মচা অনীগী মনাক্তা চঙলগা তুমখরে।

থাঙ্গদগী কি. মি. মঙা লাপ্না লৈবা মোইরাং বাজারগী অকোয়বদা লৈরিবা খুনশিংগী ঙা য়োনফম ওই। অশংবী, মচানুপী লাংলেন্দা চাক থোংনবা শিন্নরম্নগা মোইরাংদা ঙা য়োনবা কারক্লে। লাইবক ফবা হায়গদ্রা ঙারুবাক্তু হেক থম্বগা ইম্ফালদা পুননবা ঙাগী উনজা অমনা লুপা চহী পীরন্নগা লৌখরে। এঞ্জাং মনা-মশিং, মচাগী ঙামোক খরা লৈরগা ঔটো গারী তোংলগা হল্লক্লে।

অশংবীনা মকোক্তা লুবাক পুরগা গারীদগী হেক কুমথরকপদা মচানুপীনা মৌপ্বাবু পোরগা শুমাঙদা লেপ্তুনা মমাগী মায়কৈ য়েংলম্বা হেক উবদা অৱাবা খঙদনা মচা অনীগী মনাক য়ৌনবা চীং লম্বীদগী পরপ-পরপ কুমথরকখি। মকোক্তুদগী লুবাক্তু মাঙ্গোলদা হেক থন্নগা পোরিবা মচানুপাদু লৌরগা খোল্লাং ইল্লি। অশংবীনা অঙাংদু মচানুপীদা অমুক পীরগা লুবাক্তু ইমুংদা পুশিল্লগা থিরিবা চাক্তু চানা চানা – "ইবেম্মা ঙসিদি নুংশিৎ অকাবা শিৎপনিনা লু থুম্বা ফূমদাউ লোয়না কারক্লগনি। ফূমদাউগী মমাঙদা হি থাংলগা ঈল চিংলবদি ঙা য়াম্না ফায়। ইমা খরা ঙন্না চৎকেকো। কৈরোয় লৈকাইগী মমান্নবীশিংগা নোংমতা তিন্নবা ফংজদ্রবী মচানুপীনা মমাদগী অঙাংদু লৌরগা পোখৎলি। য়েনখা মচি অমদা লেপ্লগা তুমিন্না হিক্লা হিক্লা কপ্পী। অশংবী অঙাং শেন্নবদা ৱাজরবী মচানুপীনা কপখরে হায়বসি খঙঙী। ফূমদাউ কারক্লন্নগনি, মচে-মনেমশিংনা ফূম মমাঙদা হি থাংবা হাল্লন্নগনি, মসি খন্দুনা অশংবীনা য়েনখাদগী নৌগা থুমুক, ঙাইরুক্কা পায়রগা হিদেনলোমদা পরপ-পরপ কুমথরক্লে। মচে-মনেমশিংনা হি হোল্লগা চৎখিবদু হেক উবগা হিদেনদগী হঙ্গেন- পৌরাদু লৌখৎলগা হিনুংদা হেক হাপকে তৌরবদা হঙ্গেন মাশা অমা তেক্লগা লৈরম্লে। অশংবী মচিন্দা অসঃ হায়রগা অতেকপা হঙ্গেন পৌরাদুদা মুন্না য়েংলগা মমিত্তগী পিরাং শিন্থরদুনা হিনুংদা তুমিন্না ফমদুনা লৈখরে।

***কর্টেসি ঃ ঈশিংচাইবী***

# শৈরেং

## মিস মণিপুর

*– ইরোম মোবি*

নোংফাদোক খ্বাইরমবন্দদা লাকপসিদি
মিস মণিপুর ঙাক্তা ঙাইরম্লে
অহল ৱাখল কাউথোক্তুনা
মঙলান অমদা তাওরিঙৈ থেংদোকখ্রে
য়ূমদা করি হায়রমদোইনো
পরপ পরপ হলহৌরগে।

## অপঙবী নচা

*– মোইরাংথেম ধনপতি*

অপঙবী নচা ঐহাক্লা
লৌশিংগী থাউমৈ থাল্লগা
ইমাগী লমন শিংননবা
হোৎনজগে ইমাও,
নঙগী মচু অহুম্না
লেংদ উপালগী মরুমগুম
পুন্সি মৈশা কোকহনবীরি,
নীংথম উনলেনগী অইংবা
কোকহনবীরি নঙগী লেঙদ নাওয়োম্না,
ইমাগী সেবা কাউফরোয়
পংলবী নচা ঐহাক্লা ।।

## মোনালিসা

*– ওইনাম বিনয় সিংহ*

মতম পূম্নমক্তা নীংথিরবা
নঙগী অয়েকপা শক্তমসিনা
ওইরিদো মাঙবা লৈত্রবা,
মতমগী স্মৃতি ।।

পামজনা য়েকখিবা
মক্তুবা নঙগী শক্তমদুদি
হন্না-হন্না চামথোক্লবসু
মীৎকী পিনা
লিওনার্ডো ডা ভিন্সিগী,
মুৎপা লৈতনা লৈরি ঙসিসু।
হো মোনালিসা হো মোনালিসা ।।

## অমম্বা খোঙচৎ

*– নিংথৌজম ইবোপিশক*

অশিৎ অৱাম্বাগী
অইংবা নোংজু লক্তা
কোইনা পাইরিবা লৈচিলনা
কুপখিবা অমম্বা অহিংগুম
ৱাখলসু থোক্লক্তে, চমমনৈ ।।

য়েংখৎলুই নোংথক্তা অমুক্তং
নোংলিক্লা তারকই ঈমায়দা
নীংখা তম্না য়েংঙুদে
উবা ফংখিদে থৱান্নীচাকসু
অমম্বগী অমম্বা ঙাক্তনি ।।

তৌফম খঙদবা ৱাখলসে
ঙাইহাক্তংদি অমম্বা ওই মিকুপ্তা
তুং মাঙ য়েঙবদা উখিদে
জীব অমত্তা ঐগী মীৎসিনা
খোঙ থাংবা থোকখিদে ।।

খূৎশাসে অরোইবা লাক্লবোই খল্লি
নীঙমদনা ৱাখল পিক্লা
মা-মাদুনা খোঙ থাঙলুই
চৎফম খঙদনা লেপ্তুনা লৈনিংই
মীৎ উদবগা চপ মান্ননা ।।

## খোঙ্গাওনবীরবী

*– আশালতা থোকচোম*

ঐগী লৈজরম্মী আশা
ফুগায়না শাৎচগে গুলাবকুম
খোয়দাবীবা কনানা মীতাবীনবা,
অদুবু হে শাফু কল্লবা নোংলৈ
হুমদোকপীখ্রে নঙনা আশা পুম্বা,
তনিক্লা খাংহৌরে ঐহাক
লৈহি খরদংসি কোনশিঞ্জদুনা চেৎনা
কৈদৌঙৈ চোইজাইনখিনি খঙদনা
পুন্সি নঙগী শারবা লৈকংলাদা ।।

## থা'সিদা খুদোলসিমতং

*– দিনেশ নোংমাইথেম*

অনৌবা থা'সিনা হৌগৎলকপদা
তমজরি অনৌবা খুদোল'সিমতং
নুংশিজরবী নঙগী নফমদা
কোলোয় মিংলেন সনথোঙ ।।

লৈচল-শুর লৈরাং পরেংগুম
মুৎনাইররোইদবা মচুগুম
হক্তুনা ইখ্রবা ময়েকশিংগী
পাঙ্গল শক্তি ওইদুনা
অপাবা কয়াদা মহাউ পীরিবা ।।

থিজরুবদা কোয়না চত্তুনা
ফংজরকপা খরসিনা লৈচল ওই
তমজবনি ৱাহৈ খরসিদং
নঙগী নফমদা খুদোল ওই,
লৌবীয়ুকো লৎনদা
অনৌবা থা'সিনা লাকপদা ।।

## পুন্সিগী পান্দম

*– বিহারী*

থৌদোক খুদিং থৌশিল অমা,
পূংজা খুদিং ৱাশক অমা,
মীৎকুপ খুদিং মীৱা অমা,
মীৱা খুদিং য়েক্লবা অমা ।।

অসুম্না লোয়খিমাল্লে তাঙলবা মতম,
পীবীখিদে 'পুন্সিবু' নীংথিবা মফম
কপখি পুন্সিগী মপুনা,
নোকখি তাইবঙগী শাফুনা ।।

পুন্সিদা মিংচৎপু থন্নন্নবা,
তাইবঙনা পুন্সিবু নুংশিরবা,
য়েক্লবা মাসু মাঙখিনি
পুন্সিগী ফমফমসু ফংগনি
লোয়নাইদ্রবা থম্মোয়দা থৱায় পানবশিংগী,
মদুমক্লা পুন্সিগী চপ-চাবা ফমফমনি ।।

# তাবুনুংদগী

*ৱাক ৱাক মশান্নসি ৱাক শাবি, মপী শাবী অমসুং অঙাং ৫। ১০ পুন্দুনা শান্নবা মশান্ননি। নুপা, নুপী অনীমক শরুক য়াদুনা মশা পুবা ঙম্নবা চেন- চোংদুনা শান্নবা হৈ-শিংলবা অঙাংশিংনা শান্নবা মশান্ননি। শান্নবগী মওংদি মপী শাবী অঙাং ময়ামদগী খরা চাউবী নুপীমচা অয়াম্বা মতমদা মকোক চীংদুনা অঙাংশিংনা মাগী মখ্বাঙগী ফিদা পায়দুনা মথং মথং পায়দুনা পরেং ওইনা শাই। ৱাক শাব অঙাং অমনা খ্বাইদগী মতুং থংলিবা অঙাং অদু শোক্লবা হোৎনৈ। ৱাক শাবিবু মপী শাবিনা থৎলি অমসুং মাগী মতূংদা লৈবা অঙাংশিংনসু ৱাক শাবিনা লাকপা মায়কৈগী ওন্ন- তৈনবদা চেনথোক চেনশিন তৌদুনা থৈদোকই অসুম্না তৌবা মতম পরেং তৎপদি য়াদে।*

*ৱাক শাবীনা, মমৈ ইথং থংবা অঙাং শোক্তুনা 'নং চারে, নং চারে' হায়দুনা অশোকপা অঙাংদু পরেংদুদগী লৌথোকই। অসুম্না অঙাং খুদিংমক চাদ্রি ফাওবা শান্নবা মশান্ননি। মশান্নসিগী শান্নরোলদি ৱাক শাবি অমসুং মপী শাবি অনীগী অৱায় অখুমনি। মসি তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

ৱাক ৱাক
    করি পাউনো?
ময়াং পাউনে।
চাক চখো'মতা চাগে।
    চাফদে
ঈশিং খুয়ামতা থক্কে।
    থকফদে
তুংদা লৈরিবা অসি কনানো?
    ইচা খোমদোন্নি।
নচা খোমদোন পীয়ু।
    পীফদে
ঐদি লৌনি।
    লৌফদে
নাকন চঙগে?
    লাই লৈ।
নথক লানগে
    কোরৌ লৈ।
নক্রাং লিংকে
    মালেম লৈ।
স্বাঃ

# মণিপুরী পাষ্টে –পাউরৌ, পাউতাক

* **ঐবু ফত্তে হায়নু ঐদি শাথিবনি।**
  – শাওরক্লবদি মথোং চাদবা তৌরকপা য়াবগী মওং।
* **ঐদি হেক্তা তাকথোক্কদবনি, লৈকাই তানবা লাওজনি।**
  – অচুম্বা চৎপা অরানবা তৌবা পামদবা
* **ও! ও!**
  – মমিং পন্দনা য়েংঙক্লবা লাওবা, কৌবা।
* **ওইওইনবা**
  – থবক তৌবদা খূৎলোয়দবা।
* **ওইনা য়েৎনা মান্নবা**
  – খূৎ ওই য়েৎ অনীমক হৈবা শিংবা মান্নবা।
* **ওইনা থীগোৎ (থীগেৎ)**
  – খূৎ ওইনা হৈনবা মীবু লক্লবোই করেম্নবোইনা হায়বা।
  – অরাইবা থবক।
* **ওইনা- কোৎ**
  – খূৎ ওই শিংবা হৈনবা কাঙবু।
  – য়েংবা নুংঙাইতবা থৌদৌ।
* **ওই য়েৎ খঙবা**
  – থকসি খাসি খঙবা, হৈশিংবা।
* **ওইনা তৌবা য়েৎনা তাজদবা, য়েৎনা তৌবা ওইনা থাজদবা।**
  – মুক্লবা, থাজনদবা।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

# চানক্য নিতি

– এনাক খুল্লগা নাপল তৌদবা কনা লৈ? লমচৎ নাইদবা মীনা ৱাদবা কনা লৈ? শকহেনবীগী শিকার ওইদবা কনা লৈ? নিংথৌনা চান্দুনতা লৈবা কনা লৈ? মতমগী চৈনা ফংদবা কনা লৈ? করম্বা চাক্লিবনা ইকায়খূম্নবা ফংখ্রবগে? মবুক ফত্তবগা তিন্নবা মী কনানা নুংঙাইনা লৈবগে?

– সনাগী শজী হৌজিকফাওবা লৈত্রি, তাসু তাদ্রি। অদুবু শ্রীরামচন্দ্রনা সনাগী শজী ফাগে হোৎনখি। মাঙ তাক্লমদাইদা ওন্ন-তৈননা খল্লি হায়বসি চুম্লবনি।

– মগুণনা চাউবনি, মফম্না নত্তে। কোনুংগী য়ূমথক্তা তোংই হায়দুনা ক্বাকপু গরুরনি হায়গদ্রা?

– মফম খুদিং মগুণ লৈববু পূজা তৌনৈ, লল্লেববু তৌনদে। মায়হিং কাবা পূর্ণিমা থাদগীদি মায়হিং কাদবা নীনি পানবগী থাবু হেন্না ইকায়খূম্নৈ।

– মীনা থাগৎলবদি গুণ লৈতবা ওইরবসু মগুণ লৈবনি লৌনৈ। মশানা থাগৎচরবদি ইন্দ্র ওইদুনসু মগুণ হন্থরবনি।

– সনাগী পরেংদা য়াওবা রত্ননা ফজবা হেনগৎহনবগুম জ্ঞানীদা লৈবা গুণনা হেন্না লংখৎলি।

– পূম্নমক খঙবা ঙম্বা, লাম্বা লৈতবা গুণ কয়া লৈজরবসু ঙাক্লৌ য়াওদ্রবদি অৱাবা ফংই, অদুদি সনা পরেং য়াওদনদি অথোইবা মরিসু ফজদে।

– অৱাবা পীরন্নগা অতোপ্পদগী মুল্লকপা লন, নিয়ম চুমদনা তাল্লকপা লন, য়েক্লবনা পীরকপা লন পামফদে। য়েক্লবদি চঙজরক্কদবনি, হায়জ নোঞ্জরগদবনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

# মণিপুরী পাউখোং

২৯৬. খাখোং-লাইখোং-মরোংখোং হায়নরিসি করিনো – নৎত্রগা পাখোং-লাইখোং-মরোংখোং হায়নরিসি করি খোংনো –

২৯৭. মীওইবগী চিঞ্জাক মখল অমগী মমিং য়াম্মীবসি (১) মী মমিংগা মান্ননা থোনবা (২) লম মমিংগা মান্ননা থোনবা (৩) মওং, মচু লৌরগা থোনবা (৪) শক্তি, মপাঙ্গলগী মান্ননা থোনবা অসুম্না তৌবননি। হায়রিবা পোৎসি করিনো? মমিংশিংদু করি করিনো?

২৯৮. তাপ পায় খূৎতা পায়বা তাপ পায় নমদা পায় নানা পাৎতা তোপ তাই করিনো –

২৯৯. পাখঙ অমনা লৈশাবী অমা উনবা লাকই লৈশাবীদুসু পাখঙদুসু লাকই খঙনা খঙনা থোক্লক্তে করিগুম্বা অমসু থেংঙি কুইমন্না ঙাইরকপদা ৱারদুনা পাখঙদু অসুম্না শাউনা হায়রম্মগা চৎখি "ইবেম্মা ওৎতনা থোংবী চৎচরগে"। লৈশাবীদুনা খুম্মী "তাদ ইবুঙো ফম্ম-নূংগুম্বা চৎল-নুংশিৎকুম্বা লেঙবিরো"। অনীসিনা ঙানরিসি করি হায়নরিবনো –

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (১৬-১২-২০১৮) পাউখোঙ ফোঙবা***

২৮৯. শিরমদাইগী মতমদুনি।
২৯০. মীদুগী থৱায়নি।
২৯১. য়ূম পান্দ্রিঙৈদা মমা-মপানি। য়ূম পাল্লগনা মাগী মপুরোইবনি নৎত্রগা লোয়নবীনি। মচা পোক্লবা মতূংদনা মচানি।
২৯২. য়ূমগী, ইমুংগী, ইশাগী ফীভম খঙলগা অমসুং লুনা চান্না তিন্নরম্বা মরুপনা য়েক্লবা ওইরকপা।
২৯৩. পূক্নীং অমসুং থম্মোয় শোনবনি।
২৯৪. সিনেমা।
২৯৫. ক্বা চাবনি।

# কান্ন-ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **ফ্রিজ (রিফ্রিজরেটর) দা ঙা থম্বীগে হায়রবদি?**

ফ্রিজদা ঙা অতেকপবু তগৎ-তগৎ তেক্লা অমসুং মহাও মাঙহন্দনা অদুম্মক লৈহন্নবা থম্বীগে হায়রবদি ঙা অদুগী মশা পূম্বা লূপশিনবা ঈশিং য়াওনা ফ্রিজরদা থম্বীয়ু।

* **ফ্রিজ (রিফ্রিজরেটর) নমথীহনবিরোই হায়রবদি?**

মখল-মখা এঞ্জাং-নাপী পোৎ- চৈ থম্বদা শীজিন্নবিরিবা ফ্রিজগী মনুংদা নমথীবা মনম-মহা চেলহনবিরোই হায়রবদি, ফ্রিজ মনুংগী মচি অমদা প্লাষ্টিক কন্টেনর (কৌটা) অমা মৈতাল হাপ্পগা মখূম খুমজিন্দনা থমজীনবিয়ু।

* **ফ্রিজ (রিফ্রিজরেটর) শীজিন্নবিগে হায়রবদি?**

ঙাইহাক লৈতনা মৈ মুৎকনবা, লাক্লগসু য়াম্না কুইনা লাক্কন্দবা মণিপুরগুম্বা মফমদদি নুংতিগী শীজিন্নবীরিবা ফ্রিজ ওইরবদি মনুং হাঙহনবীগনু। এঞ্জাং-নাপী অমদি অতৈ পোৎলমশিংনা ফ্রিজগী মনুং থলহনবীবা নৎত্রবসু ঈশিং য়াওবা প্লাষ্টিক বোটলশিংনা থলহনবীয়ু, অমুক লাকখিবা মৈনা ঈংশীলহল্লম্বা অঈংবগী চাং অদু য়ামদ্রবদা পূং ২৪ ফাওবদি কায়দনা লৈগনি, তৌবদবু হাংদোক-হাংজিনদি কয়া তৌবিরুদবা তাই।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*